## য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# রোনাল্ডো অমসুং নানিগী পাঞ্জলনা পোর্টুগালনা ৱেল্স মায়থিবা পীদুনা য়ুরোপিয়ান ফুটবোলগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

*লিওন, জুলাই ০৭ঃ*

পোর্টুগালগী কেপ্টেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং মহাক্কী টিমমেট নানিগী পাঞ্জলনা ৱেল্সপু ঙরাং নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা ২০১৬ কী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই চহী অসিগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌবা অসি থারগা টুর্নামেন্ট অসিগী ইতিহাসতা অনীরকশুবা ওইনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লিবনি। মখোয়না অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৪ দা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মখোয়না ফাইনেল য়ৌরকপা অসি য়ুরোপিয়ান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল ৫ রক য়ৌরকপদা অনীরকশুবনি।

ৱেল্সনা পোর্টুগালগা শান্নবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা য়াম্না নক্নবা মশান্না উৎপা ঙমখি। বোল পায়বগী চাংসু অহানবা হাল্ফ অদুদা পোর্টুগালদগী ৱেল্সনা হেনখি। অদুবু মখোয়না পুশিল্লকপা এটেকশিংদগী ফংবা বোল স্কোর তৌবা য়াবা মওংদা কাউশিনবা ঙমদবদগী পাঞ্জল অমত্তা ওইবা ঙমখিদবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা পোর্টুগালগী টিম অসি য়াম্না শোনবা টিম অমনি হায়না কৃটিকশিংনা ফোঙদোক্লখিবনি। লোয়নন টিম অদু রোনাল্ডোগী পার্ফোমেন্স ফজদ্রবদি উপায় লোয়রবা টিমনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

ঙরাং নোংয়াই মতুংদাশান্নখিবা মেটচ অদুদি পোর্টুগালগী টিম অসি মপুং ফাবা টিম অমগী শক্তম উৎলকখি।

<table><tr><td colspan="4">EURO CUP 2016 SEMI-FINAL LINE-UP</td></tr><tr><td>Day / Date</td><td>Match</td><td>Time</td><td>Venue</td></tr><tr><td>Friday, July 08</td><td>Germany v France</td><td>12.30 AM IST</td><td>Marseille</td></tr></table>

পনবা য়াবদি পোর্টুগালগী টিম নোকআওট ষ্টেজ য়ৌরকপদা মেটচ অমফাওবা মায় পাক্লক্তবনি। অদুবু টিম অদুনা মখা তারকপা মেটচশিংদা থেংনখিবা লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা হৌজিক্তি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাংগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফতা ৱেল্সকী মমিং লৈরবা ষ্টার জেরেথ বেলনা য়েৎথংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা ফংলবা মতুং পোর্টুগালগী দিফেন্দর অনী লাম্বোক্লগা কাউশিনখিবা ওইগী সোট অদু পোর্টুগালগী ওইথংবা পোষ্টতগী খরা হায়দোকখিদুনা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা অদু ফংখিদবনি।

পোর্টুগালসু ৱেল্সকী দিফেন্স লাইন নমখায়দুনা বোল পুশিনবা ঙম্বা তাঞ্জা অদুমক য়াওখি। মদুগী মরক্তা রোনাল্ডো মশামক্লা ফংলম্লবদি পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অনীরক য়াওখি। ৱেল্সকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মহাকপু অমদি অতোপ্পা ষ্ট্রাইকরশিংনা নীংথিনা শেন্নখিবদগী পাঞ্জল ওইখিদবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা টিম অনীমক অনীশুবা হাল্ফতা শুংশোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়নন ফিল্ডদগী চঙখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনিট ৫ চঙশিল্লকপদা কেপ্টেন রোনাল্ডোনা মাগী টিমগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমদা হেদ তৌশিন্দুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইবা ঙমখি। বোল অদু রাফেল গুইরৈরোনা পীরকপদা রোনাল্ডোনা হেদ তৌশিনখিবনি।

পাঞ্জল মাঙজিল থাবা ঙল্লবা পোর্টুগালনা এটেক চথবা হেল্লকপদগী পাঞ্জল চনখিবা রোনাল্ডোনা পুশিল্লকপা বোল অমা মতাং মতম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট নানিনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ৫৩ শুবা মিনিটতা মেটচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৱেল্সপু হন্দোকপদা ৱারগদবা ফিভমদা লৈহনখি।

মেটচ অদুগী লোইরকপদা ৱেল্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হনে দাকপা য়াবা খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু উপায় লৈখিদবদগী মখোয় রোনাল্ডোগী টিমগী মখুত্তা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিহৌখি।

মায়থিরবা ৱেল্সকী টিম শৌগৎপা লাকখিবা ভাবকশিংনা পেন্দবা তৌদনা মেটচ অদু লোইরবা ফাওবদা মখোয়গী শান্নরোইশিংবু ইশৈ শক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখি। রগবিদা ঙাওজবা ৱেল্সনা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ লিডর ওইরক্লবা মতুং বেলজিয়ম থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা অসি টিম অসিগী ওইনা য়াম্না অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌবা য়াই।



*ৱেল্স মায়থিবা পীখিবদা পাঞ্জল অমমম চনখিবা পোর্টুগালগী রোনাল্ডো অমসুং নানিনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ৱিম্বলদন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# নুপীগী ফাইনেলদা জর্মনিগী কর্বর অমসুং য়ু এস কী সেরেনা থেংনরগনি সনিয়া অমসুং হিঙ্গিস লৈহৌরে মুরে সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লন্দন, জুলাই ০৭ঃ*

জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মমাঙগীসু চেম্পিয়ন ওইরিবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এ গী সেরেনা ৱিলিয়মসকা ফাইনেল শান্নরগনি। নুপীগী দবলসতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি নম্বর ৱান ওইরিবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী জর্মনিগী কর্বর (ওই) অমসুং য়ু এস এ গী সেরেনা*

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এ গী সেরেনা ৱিলিয়মসনা রুসিয়াগী এলিনা ভেসনিনাগা শান্নবদা হুমাং ইতা তাদনা গেম অনীখক মাঙজরগা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

অহানবা সেট অদুদা রুসিয়াগী ভেসনিনা শুপ্নগী গেম অনীখক থোইরগা সেরেনানা ৬-২ দা লোইশিনখি। অনীশুবা সেটতদি সেরেনাগী শক্তি লৈরবা মশান্না অদুদা রুসিয়াগী শান্নরোই অদু উপায় লৈখিদে। মহাক্কী সার্ভিস গেম অহুম্মক সেরেনা ব্রেক তৌদুনা ৬-০ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু লোইশিনখি।

অমরোমদা সেরেনাগী মচে ভেনস ৱিলিয়মস অমসুং জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা অনীশুবা সেমি ফাইনেল শান্নরকপদা নাকল অনীমক্তগী অকনবা লম্বা তৌনবা অদু ৱিম্বলদনগী সেন্টর কোর্টতা তিনখিবা ভাবকশিংনা ময়েক শেংনা উবা ফংখি।

কর্বরনা অহানবা সেট অদুদা ভেনস ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা ৬-৪ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল অদুদা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু অহানবা সেটকুম্না চপ মান্নবা মওংদা অমনা অমগী সার্ভিস গেমশিং ব্রেক তৌবা ঙম্মদনা লৈরম্লগা কর্বরনা মতাং মতম চানা ভেনসকী সার্ভিস গেম অমা লোইশিল্লকপদা ব্রেক তৌখিবদগী সেট অদুসু ৬-৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল মায় পাক্লদুনা থাংজ নুমিৎকী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিলিয়মসকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপীগী দবলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস ক্বার্টর ফাইনেলদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং কজাকাষ্টানগী য়ারোস্লাভা স্বেদোভাগী মখুত্তা ২-৬, ৪-৬ তা মায়থিহৌখি।

মায়থিবা অসি সনিয়াগী ওইনদি অনীরকশুবনি। মহাক্না মিক্স দবলসতা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগকা শান্নবদা অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখিবনি।



*জো ৱিলফ্রেন্দ সোঙ্গাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা এন্দি মুরে*

নুপাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুম্বু গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ৭-৬ (১২-১০), ৬-১, ৩-৬, ৪-৬, ৬-১ দা থোইদুনা হয়েং শান্নগদবা সেমি ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিসকা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অমসুং সাই প্রনিথ য়ু এস ওপনগী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে নুপীগীদা তনভি লরসু মায় পাক্লি

*কালিফোর্নিয়া, জুলাই ০৭ঃ*

য়ু এস এ গী কলিফোর্নিয়া রাজ্যদা লৈবা এল মোন্টে সহরদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অমসুং বি সাই প্রনিথ প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী কাঙলুপ্তা তনিভ লর মায় পাক্লি অদুবু রুদভিকা সিবানি গাদে মায়থিহৌরে।



*অজয় জয়ারাম্না য়ু এ ওপন বেদমিন্টন গ্রান্দ পিদা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা*

য়ু এস দোল্লর ১২০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী কালিফোর্নিয়াগী এল মোন্টে সহরদা পাঙথোকপনি। টুর্নামেন্ট অসিদা হন্দক্তা কানাদাগী কালগেরি সহরদা পাঙথোকখিবা কানাদা ওপন গ্রান্দ প্রি দা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ য়ু এস ওপন অসিদা ৬ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহাক্না কানাদাগী বি আর সনকির্থপু ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২১-১৫, ২১-৭ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর য়ৌবা ঙমখি।

প্রনিথনা ইন্দিয়াগী আর এম ভি গুরুসাইদতপু ২১-১৭, ২১-১২ তা মায়থিবা পীরম্বা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই কাজুমাসা সকাইগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা লম্বা তৌনগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম্না কানাদা ওপন টুর্নামেন্টতা লেংজুম শোকখিবা অদু লৈন-লৈনা য়ু এস ওপন শরুক য়ারকপদা ইস্তোনিয়াগী রাওল মসপু ২১-১৪, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা পোর্টুগালগী কিদ্রো মার্টিন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ঐস এস প্রনোইনা আয়রলেন্দগী জোসুৱা মেগিবু ২১-৯, ২১-৮ তা থোইদুনা কানাদা ওপনগী রন্নর্সঅপ কোরিয়া মচা লি হ্যুন ইলগা মথংগী রাউন্দদা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই প্রতুল জোসিনা জেক রিপব্লিক্কী মিলান লুদিকপু ২১-১৮, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই দেবিদ ওবরনোষ্টররবু ২১-১২, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরম্বা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই আনন্দ পৱারগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা তনভি লরনা গোটিমালাগী শান্নরোই নিকটে আলিজেন্দ্রা সোতোমায়োরবু ২১-৬, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটয়র ফাইনেল য়ৌননবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক্কী শান্নরোই বৈৱেন ঝাংগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ ওইরিবী রুদভিকা সিবানি গাদে মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী আয়ুমি মিনেগা অকনবা লম্বা থেংনবদা অহানবা গেম আয়ুমিনা ২১-১৯ দা থোইখি। অনীশুবা গেমদনা ইন্দিয়াগী রুদভিকা সিবানি গাদেনা ২১-১৫ দা থোইরম্বা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা জপানগী শান্নরোই অদুনা ২১-১৮ দা থোইখিবদগী গাদে মায়থিহৌবনি।

নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী জ্বালা গুত্তা অমসুং আস্বিনি পোনাপানা শান্নগদবা মেটচ অদু পোনাপা মশা ঙল্লক্তবদগী মায়োক্লবা টিমদা ৱার্ক ওভর পীথোকখি। নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিট রেদ্দিনা জপানগী কেনয়া মিটসুহাসি অমসুং য়ুতা ৱাতানভেগা শান্নরগনি।

# ওম প্রকাস গোল্ড মেডল ফংখ্রবসু ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রি

*বেঙ্কোক, জুলাই ০৭ঃ*

থাইলেন্দগী সহর বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা থাইলেন্দ ওপন এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঙরাং ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ওম প্রকাসনা সোটপুটতা গোল্ড মেডল ফংলবসু রিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবগী পার্ফোমেন্স অদুদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ওম প্রকাসনা সোটপুট ইভেন্ট অদু মিটর ১৮.৫৮ লংদুনা গোল্ড মেডল লৌখিবনি। অদুবু মহাক্কী খ্বাইদগী ফজখিবা পার্ফোমেন্স অদুদি কুমজা ২০১২ দা হঙ্গেরিগী সহর সোমবাথলিদা মিটর ২০.৬৯ লংখিবা অদুনি।

চহী অসিগী ওইনা ওম প্রকাসনা এপ্রিল থাদা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রিদা মিটর ১৯ লংদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। অমরোমদা রিও ওলিম্পিক্সকী এন্ত্রি অসি মিটর ২০.৫০ নি।

বেঙ্কোক্কী কম্পিটিসন অদুনা ওম প্রকাসনা গোল্ড ফংলগা কোরিয়াগী জে মিন কিম্না মিটর ১৭.০৮ লংলগা সিভলর লৌখি।

কম্পিটিসন অসিগী নুপাগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন ধরমবির সিংহনা সেকেন্দ ২১.১০ চেন্দুনা সিলভর মেডল অদু লৌখি। ইভেন্ট অসিগী ওলিম্পিক্স এন্ত্রি অদুনা সেকেন্দ ২০.৫০ নি।

# মণিপুরগী হাওকিপ কেরেলা ব্লাষ্টর্সতা শান্নরগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী অহুমশুবা ইদিসন্দা হান্না এফ সি গোৱাদা শান্নরম্বা মণিপুর মচা থোঙখোসিয়েম হাওকিপ মীয়াম্না সেনবোই হায়না খঙনবা শান্নরোই অসি কেরেলা ব্লাষ্টর্স এফ সি দা শান্নরগনি।



হাওকিপনা পুনে এফ সি য়ুঠ একাদেমিদগী মশাগী কেরিয়র হৌরকখিবনি। চহী ২০ মখাগী আই লীগতা মহাক্না একাদেমি অদুগী অহানবা শান্নরোই অমা ওইনা হেটট্রিক ফংবা শান্নরোই ওইখি।

২০১৪-১৫ আই লীগকী সিজন দা মহাক্না এফ সি পুনেগী মায়কৈদগী শান্নরকপা শিল্লং লাজোংগী মায়োক্তা মিনিট ১৫ গী মনুংদা হেটট্রিক ফংবা ঙমখিবা শান্নরোই অমনি। কেরেলা ব্লাষ্টর্সকী সি ই ও বিরেন দি সিলভানা ফোঙদোকখিবদা হাওকিপগী মমাঙগী পার্ফোমেন্সশিং অদু মখা তানা লৈখিগনি হায়না চাউনা থাজে হায়খি।

# এস এ বি এ ক্বালিফাইংদা ইন্দিয়ানা নেপাল মায়থিবা পীখ্রে



*ইন্দিয়াগী ভিসেস ব্রিগুভঙ্গিনা বোল অমা বাস্কেটতা হাপচিনবা*

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ০৭ঃ*

ইন্দিয়াগী সহর বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রি কান্তিরাভা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা এস এ বি এ (সাউথ এসিয়ান বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন) ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা নেপালবু পোইন্ট ৮১-৫৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা নেপালবু পোইন্ট ২৩-৪ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন অর্মিন্দর সিংহনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহৌবা মিনিট ৪ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা পোইন্ট ১৭-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ইন্দিয়াগী কোচ পি জে সেবিসিয়ান্না মহাক্কী মরু ওইবা শান্নরোই ৫ অদু অনীশুবা ক্বার্টরদা পোথাহল্লগা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা প্রেক্ট্রিষ্টকী খুদোং চাবসু ফংহনখি।

নেপালগী শান্নরোই অদুনা ইন্দিয়াগী বেঞ্চতা লৈরম্বা শান্নরোইশিংনা ফিল্ডদা চঙলকপা অদুগী খুদোংচাবা অদু লৌরগা শোথখিবা পোইন্টশিং অদু খরা ফুক্কৎপা ঙমখি। অদুবু খেৎনখিবা পোইন্ট অদু মশিং য়াম্বা মরম্না মখোয় মায়থিবা নংখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মালদিপ্সনা বঙ্গলাদেশপু পোইন্ট ৬৮-৫০ দা মায়থিবা পীখি।

# ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম ৱেষ্ট ইন্দিজদা থুংখ্রে

*সেন্ট কিটস, জুলাই ০৭ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজগা ষ্টেট মেটচ ৪ শান্ননবগীদমক ভিরাট কোলিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম সেন্ট কিটস সহরদা থুংখ্রে।




টিম অনীনা থা অসিগী ২১ দগী হৌরগা টেষ্ট মেটচ ৪ শান্নগনি। অহানবা মেটচ এন্টিগুৱাদা শান্নরগা অনীশুবা অদুনা জুলাই ৩০ দগী ওগষ্ট ৩ ফাওবা কিংষ্টন সহরদা শান্নগনি। অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা গ্রোস আইলেটতা ওগষ্ট ৯ দগী ১৩ ফাওবা শান্নরগা ৪ শুবা টেষ্ট মেটচ অদুনা ত্রিনিদাদ সহরদা ওগষ্ট ১৮ দগী ২২ ফাওবা শান্নগদৌরি। সেরিজ অসি অনৌবা কোচ অনিল কুমব্লেগী অহানবা এসাইনমেন্ট ওইগদৌরি।

# নেহৱালদা খুদোল তমখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ঃ*

লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা মনা য়াম্না ফংলবশিংগী মনুং দা অমা ওইরিবী সাইনা নেহৱালনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ প্রি বেদমিন্টন টাইটল ফংখিবা অদুগীদমক হুন্দাই মোটোর লিমিটেদনা কম্পেনি অসিগী 'ক্রেটা' মোডেলনা চহী ফারকপগী থৌরমদা কার অদু খুদোল ওইনা পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে। খুদোল অসিনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদসু থৌনা পীরগনি হায়খি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*